## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:01/03/2018
Valid From:27/02/2018
***Stk 14Kg:468, Rs.762.50/- 19kg Commercial Stk:48***
Timing:08.00am to 10.00am

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto:10/03/2018
Valid From:02/03/2018
***Stk :306 (Aadhaar Link Consumers Only)***
Timing:07.30am to 10.30am

**IMPHAL LPG SERVICE SL.NO. UPTO 53420**
Booking Upto:07/03/2018
Valid From:01/12/2017
***Stk :306***
*(Deilivery at Heinoupok)*

**K&K INDANE SERVICE**
Booking Upto:09/03/2018
Valid From:26/02/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 11.00am
*(First Come First Serve)*

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:19/02/2018
Valid From:04/02/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 11.00am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:08/02/2018
Valid From:05/02/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am
*(Pubmit Aadhaar Copy urgently)*

**LAMBODARA INDANE**
Booking Upto:22/03/2018
Valid From:16/03/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.00am

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto:15/02/2018
Valid From:10/02/2018
***Stk :612 , Rs.762.50/- (DBTL Only)***
Timing:07.00am to 10.00am

**MAHALAKSMI INDANE SL.NO. UPTO 210055**
Booking Upto:19/02/2018
Valid From:11/02/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO .- 3830**
Booking Upto:19/02/2018
Valid From:16/02/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:06/03/2018
Valid From:28/02/2018
***Stk :306, (DBTL Only)***
Timing:07.30am to 09.30am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:19/03/2018
Valid From:14/03/2018
***Stk :306***
***(Only for CTC &DNSC)***
Timing:10.00am to 01.00pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:19/02/2018
Valid From:01/02/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**RBD INDANE SERVICE**
Booking Upto:10/02/2018
Valid From:01/02/2018
***Stk :612 (CTC Only)***
Timing:07.00am to 11.00am

**TDK, SEKMAI**
Booking Upto:19/02/2018
Valid From:17/02/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.30am

**YAIRIPOK GAS SERVICE Sl. No. 600**
Booking Upto:06/02/2018
Valid From:29/01/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

# ‘ফরুপ কয়াগী মরক্তা ৱাখল তানদবা, নুংশিনদবা লৈতনবা হোৎনমীন্নসি’

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮:** ইরমদম মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লুরবা ফিভমসিদা মায়কৈ অমা নত্রগা মায়কৈ অমদগী, হৌমিন-কামিন্নরকপা ইচিন্না ইনাওশিংগী মরক্তা ভাব তানহৌদবা থৌদোক মচা মচাদগী অচৌবা কম্যুনেল রাইট থোকহন্নবা শীল্লিবা, হোৎনরিবা খুদিংমক খুদক্তা লেপ্পীয়ু হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না ফোঙদোরক্লি।

অমুকোগী পল্লিসিটি সেক্রেটরি ব্রোজেন ইরোম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লবা শীল্লিবা মীওই, কাঙলূপ খুদিংমক্কী মায়োক্তা অমুকোনা লেপ্পি হায়বা ৱাফমসি মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা থমজরি। অয়ুক অঙনবদা লাইফ সিফাই ১১ নাগারামদা থোকখিবা থৌদোক্তুয়াম্না লাইবকথিবনি, অসিগুম্বা থৌদোকসি হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী লুরবা ফিভমসিদা মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লকপা য়াবনা মসিদা চেন্নরিবা কাঙলুপ অনিমক্না মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোকসি অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনমীন্নসি। মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা ভাব তানদবা ৱাফমসিগী মতাংদা নাকল অনিমক্না অফবা তুংগী মণিপুর অমগীদমক য়াম্না লৈবাক মচা তাবা মওংদা ভাব তান্নদবদু ফম্মীন্নদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনমীন্নসি। নাগারামগী ভাব তানহৌদবা থৌদোক্তু হেন্না পাক চাওথোরক্লিঙৈদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস অমদি অমুকো লোয়নননা লাইফম সিফাই ১১ নাগারামদা পুন্না খুন্দামীন্নরিবা কাঙলুপ অনিমক্কী মীহুৎশিং য়াওনা পুন্না ৱারী শানমীন্নদুনা য়াশিন্নবা পুরকখি

তুং কোইনা নুংশি চান্নবা লৈমীন্ননবা হোৎনবদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু অকন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা অসিগুম্বা কম্যুনেলগী মৈরী চুখৎপা য়াবা থৌদোকসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনমীন্নসি। অমুকোনসু কাঙলুপ মশেনগী মরক্তা মহৌশাগুম ইংন চিক্লা নুংশি চান্নবা লৈমীন্নরকপগুম লৈনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংজগনি। অমদি ঙসিগী লাইফম সিফাই ১১ নাগারামদা থোকখিবা ভাব তানহৌদবা থৌদোকপু মায়কৈ কয়াদগী তোকঙা শনে দাক্তুনা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি অনিগী মরক্তা হেন্না পাক চাওবা ঈরাং থোক্লবা য়ারিবমখৈ শিনবীগনু।

# ওজাশিংগী প্রমোসন কাবগী ফাইল নমশিন্দুনা থম্বীবদা ওজাশিংনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮(ঐচ এন এস):**
কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ২৯ দা থোকখিবা লৈঙাক্কী নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না চহী ৫ রিগ্যুলর সার্ভিস তৌরক্লবা মেট্রিক্যুলেট/অন্দর গ্রেজ্যুয়েট/প্রাইমরি টিচরশিংগী প্রমোসনগীদমক থাজিনখিবা চে-চাংশিং অমসুং ফাইলশিং নমশিন্দুনা থম্বীখ্রে হায়না ৱারৌনরে।

ওল মণিপুর প্রাইমরি টিচর এসোসিএসন, ২০১১, মণিপুর জোইন্ট বোদি ওফ হিন্দ প্রাইমরি টিচর এন্দ প্রাইমরি টিচরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা ফাইল অমত্তা পুং ২৪ চুপ্পা পনবা য়ারোই হায়জরগসু কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর থাদগী নমশিন্দুনা থমখিবা ফাইলশিং হৌজিক ফাওবা মচি লেংহন্দনা থল্লিবসি করিগীনো? চহী ১ হেন্না পন্দুনা লৈরক্লবা ওজাশিংগী প্রমোসনগা মরী লৈনবা ফাইল অসি য়েংবীদ্রিবসিগী মরম খঙনিংই।

মরক অসিদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফন্দ মখাদা চঙলকখিবা কুমজা ২০১২-১৪ দা লৌখিবা সর্ভ সিক্ষ্য অভিয়ান অমদি রমসাগী ওজাশিংনা লৈঙাক্কী রেগ্যুলর ওজা ওইনা পুশিন্ননবা হোৎনরকপসিনা হান্নদগী হৌনা রেগ্যুলর ওইনা থবক তৌদুনা লৈরিবা ওজাশিংগী সিনিয়ারিটিগা চয়েৎনবা ফীভম অমা লাক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোক্লে হায়রি।

হীরমশিং অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা মীৎয়েং চঙবীরগা অতোপ্পা ওজাশিং গভর্ণমেন্টকী রেগ্যুলর ওজা ওইনা পুশিনদ্রিঙৈগী মমাংদা হান্না রেগ্যুলর ওইনা থবক তৌদুনা লাক্লবা ওজাশিংগী প্রমোসন পীথোকপীয়ু অমসুং মখোয়গী তোখায়বা সিনিয়ারিটি লিষ্ট অমা শেম্বীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈঙাক অসিনা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতম শাংনা ৱাজরক্লবা ওজাশিংগী প্রমোসনশিং মীৎয়েং চঙবীদুনা খূৎ থারকপা থাগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। সেন্ট্রল গভর্ণমেন্টকী ফন্দিং মখাদা লৈরিবা ওজাশিংগী তোলোপ চাং নাইদবা অমদি পোষ্টিংগী মখাদা খূদোংচাদবা কয়া থেংনরকপদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হকচিন্না লৌরগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু ষ্টেট কেবিনেটতা পুথোক্তুনা লৌরক্কদবা ৱারেপ অদু এসোসিএসননা শৌগৎকনি হায়রি।

## ঈ-স্কুটর অমসুং ঈ-বাইক ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌবশিংনা কা হেন্না স্পীদ য়াংনা থৌবদগী এক্সিদেন্টকী চাং ৱাংবা অসিনি। অদুবু, ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা ঈ-স্কুটর অমসুং ঈ-বাইক অসিদা সেফটি ফিচর ওইনা মশানা স্পীদ কন্ট্রোল তৌজদুনা চেলহল্লি। মসিনা স্পীদ য়াংনা থৌবদগী এক্সিদেন্ট য়াম্না থোক্লিবা অসি খরমখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি। গাড়ী মখল অসিগী রেজিষ্ট্রেসন অমসুং লাইসেন্সনচিংবা পীদে। মসি পীদে হায়দুনসু কাঙলোন কায়না থৌবশিংদা ট্রাফিকনা কন্সেসন পীরোই। গাড়ী থৌবা মতমদা হেলমেট উপ্তবা অমসুং মী ৩ তোংশিনবা তৌবীদনা অমদি ট্রাফিককী কাঙলোন ঙাক্লা থৌবীদুনা য়াম্না সেফটি ওইনা শীজিন্নবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা নেপ্রম রোমিওনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি কাচিন্দা লৈবা ষ্টেট ওইবা মরম্না খূদোংচাবা ফংবা তপ্পী। তপ্পসু তপ্না ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা, নোইজ পোল্যুসন, এয়র পোল্যুসন থিংনবগী ৱাখল্লোনদা আর দি গ্রাফিক্সনা ইলেক্ট্রিককী গাড়ীশিং অসি পুশিল্লকপনি। মীয়াম্না ঈ-স্কুটর অমসুং ঈ-বাইক অসি শীজিন্নবদা খূদোংচাদবা অমত্তা মায়োক্ল রোই। মসিগী পার্ট খূদিংমক শুনা আর দি গ্রাফিক্সনা ফংহনগনি। লোয়ননা গাড়ীশিং অসি চহী ১গী ৱারেন্টিসু লৈ।

মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিং চহী মপূং ফারবা মতমদা গাড়ী শীন্নবীয়ু। মসিনা খূদোংথীবা খূদিংমক্তগী কনবা ঙমগনি। গাড়ী থৌবা মতমদা হেলমেট উপ্পনচিংবা ট্রাফিককী ঙাক্তুনা থৌদুনা ঐখোয় পুন্না ষ্টেট অসিবু পোল্যুসন ফ্রী ওইহনবদা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু মখা তাখি।

## রোহিংয়া ২ অমসুং ফূমদা ...

*লামায় ১গী মখা...* ফঙলে হায়রি। মখোয় অহুম্না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মাষ্টরমাইন্দ ওইবা মোরে ৱার্দ নম্বর টু টামিল সঙ্গম ওফিস মনাক্তা লৈবা মৌলানা অহমদ হুসেন কৌবা মরুওইবা মীওই অমদি লোৎখ্রে হায়রি। মহাক ফানবা হোৎনরি হায়রি। মখোয়শিং অসি ত্রিপুরা ফাওরগা ইম্ফালদা চঙলক্লগা লিলোংদা থা অমরোম লৈরম্লবা মতুংদা মোরেদা অমুক লাকপনি হায়রি।

এস পিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা মার্চ ২২ দসু মোরেদা রোহিংয়া অহুম ফারগা মখোয়গী মরমদা হলহনখ্রে। ঙরাং ফারিবশিং অসিগা তরুক শুরে। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং মাইবম লোৎপা চীংদা লৈবা ৫-জে এন্দ কে রাইফলসগী অপূনবা খূৎপু অমনা ঙসি নুংথিল নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা শান্তিপুর অয়াংবীগী লোক্তাক পাৎকা শম্নবা মফম অমদগী এম ১৬ রাইফলস অনী, এ কে ৫৬ রাইফলস ৪ অমসুং য়ু বি জি এল লোয়নবা এ৪ রাইফল অমসু রিকোভর তৌরে হায়রি।

নোংমৈশিং অদু গ্রিজ নীংথিজনা তৈশিল্লবা তুংদা লোক্তাক পাৎকী মশা অমা ওইরিবা ফূমদি মরক্তা লোৎশিল্লম্বনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নোংমৈশিং অদু করম্বা লালহৌলূপকী ওইগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

## সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওফম ...

*লামায় ১গী মখা...* চাংমী-তন্মী মচিন-মনাওনি হায়বগী খূদম অমনি। বৃটিশ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী কুমজা ১৮৯১ দা মীকোক থীবদা মণিপুরীশিং অসি ফোরেষ্ট ট্রাইবশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমনি হায়না ইরম্মী হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। মরম অদুনা এস টি দিমান্দ কম্মিটিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি শৌগৎফম থোকই অমদি চাংমী-তন্মী অনীবু মান্নবা ফম্পাক অমদা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। ঙসিগী উনবা অদুদা কো-ওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল ট্রাইব ডেমান্দ কম্মিটি মণিপুর, থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই নিলমনি অমদি অতৈ লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## শক্তাকচে নিংথিনা য়াওদবা ময়াং...

*লামায় ১গী মখা...* পুলিসশিংনা মখোয়গী মথৌ নীংথিনা তৌদ্রে হায়বা তাকপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয় মশেল হুন্নদুনা লৈবগী মহুৎতা কাঙলোন অমগী মখাদা ময়াংশিং চঙহন্নবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম নৎত্রগা মসিগা মান্নবা এক্ট অমা চৎনহন্নবা অকনবা খোঙথাং লৌখৎপা মতম ওইরে। নন-মণিপুরীশিং পুশিল্লক্লীবা গাড়ী অনী অসি জে সী আই এল পি এসকা ৱাখল তামিন্নদ্রিবা ফাওবা মখা তানা গাড়ী চেনবীখিগনু। গাড়ী অনী অসিগী কাউন্টরগসু ৱাখল তামিন্নবা পাম্মী। ফাগৎলবা ময়াংশিং অসি ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কাঙবুনা পুলিসতা শিন্নরগনি। মখা তানা মশাগী শক্তাকচে নীংথিনা য়াওদবা ময়াংশিং লমদম অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা পুশিনবীরক্কনু হায়নসু ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভিনর মঞ্জিৎ সরাংথেমনা মখা তাখি।

## মিনিষ্টর লৌথোকউ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮: খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়ামদা নমথাক তৌবা মিনিষ্টর লাংপোক-লাকপম জয়ন্তকুমারদগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী পোর্টফোলিও লৌথোকউ হায়দুনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল টোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মীয়াম্না দোলাইথাবী বরাজ লোইশিল্লকপা অমদি সগোলমাং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি অথুবদা শারগনি, শেলগী অৱাৎপা খরা লৈবদগী থিন্থখিবনি হায়না এসেমব্লিগী বজেট সেসনদা পাউখুম পীখ্রগা হেল্থ মিনিষ্টরনা হৌজিক্তদা লমগী চয়েৎনবা লৈবদগী হোস্পিটাল শাবগী মফম হোংবনি হায়বসি য়াবা ঙম্লোই।

## খুঙ্গং চৎলু খোঙজং মেদা ...

*লামায় ১গী মখা...* ফন্দগী শেনফম অসিসু লুপা ক্রোর ২ দা হেনগৎখ্রে। তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদা ময়ূম-মকৈ নীংথিনা লৈজদ্রবশিংগী ময়ূম শাবীনবা খঙহনখিবসু লৈরে। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পোপি প্লান্ট তৌরম্বা মফম অসিদা অগর পাম্বী থাহন্নবা মীৎয়েং চঙলগনি। জিরিবামদা অগর পাম্বী চারা লাখ ৩ শেম শাদুনা লৈরে। অগর পাম্বী চারাশিং অসামদগীসু লৌনবা থৌরাং তৌগনি। ষ্টেট অসিদা অগরগী ফেক্টরি অমসু লিংখৎনবা লৈঙাক্লা হোৎনরি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী মফম কয়াদা সর্ভে তৌবা মতমদা লাইরিক লাইশু তমদবা অঙাং মশীং অসি ৪০,০০০ রোম লৈরম্বা থেংনখি। ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মনুংদা লাইরিক তম্বা ফংদবা মহৈরোয় ২০,০০০, ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী মনুংদা মহৈরোয় ২০,০০০ লোম মহৈ-মশিন তমদনা লৈরম্বা থেংনখি। লাইরিক তম্বা ফংদ্রিবা অঙাংশিংবু লাইরিক তমহন্নবা মীৎয়েং কয়াসু চঙলি। লৈঙাক্লা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিংগীদমক সেন্টরদগী ঙাইদনা হোৎনগদবা কয়াসু হোৎনবা তাই। তুরেল শেংবগী থবক অসি হৌজিক য়াম্না কন্না চত্থরি। মসি সেন্টরদগী ফন্দ ঙাইদুনা লৈবা য়াবা নত্তে। ষ্টেট অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংগী ট্রান্সফর পোলিসি অমসু পুথোক্লবা হোৎনরি। লৈঙাক্কী গ্রেদ থ্রী অমদি ফোরগী পোষ্টশিং খন্নবগীদমক ষ্টেট সেলেক্সন কম্মিটি অমা শেম্নবসু হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, লৌ উবা য়ারিবা লৌফমশিং কন্নবগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা ওফিসলশিং অমদি মীয়াম্না শৌগৎপা তঙাইফদে। লৌফম কনবগা মরী লৈননা শেমখিবা এক্ট অসিগী চৎনকাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনসি। তুংগীদমক য়েংলগা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না হোৎনবা য়াবশিং হোৎনরমসি। মীয়ামগীদমক তঙাইফদনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং অসি নীংথিনা থবক্তা ওন্থোক্লবা মতমদা চাউখৎপা পুরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা হায়খি, সেন্টরনা পায়খৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং অমদি প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবা তঙাইফদে। স্কিমশিং অদুগী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা কান্নবশিং ফংফম থোকপা মীওইশিংদা ফংহনবা চঙই। গ্রাসরূট লেবেলদগী হৌনা নীংথিনা থবক তৌদুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা হীদাক লাংথক পুশিন্নবা দ্রোনশিং শীজিন্নবা য়াগদ্রা হায়বদু খঙ হৈরবা কম্পেনিগী মীওইশিংগা তানদুনা য়েংশিল্লগনি। দ্রোনশিং শীজিন্নবা য়াগদবা লৈরবদি মসি শীজিন্ননবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবা থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যাম, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ন, আই এফ সী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন, চীফ সেক্রেটরি সুরেশ বাবু, দি জি পি, এল এম খৌতেসু শরুক য়াখি। খন্ন-নৈনখিবা অদুদা দিপার্টমেন্ট কয়াগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়ানা অৱাৎ-অপা কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থম্নখি। অরাপ্পা মফমদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন কয়াগী গাড়ীনচিংবা ৱাৎপগী ৱাফম কয়াসু পুখৎনরকপা য়াওখি। ওফিসল কয়ানা তোঙান-তোঙানবা সজেসন কয়াসু পীনরকপা য়াওখি।

## লমগী য়েৎনবদগী হোস্পিটাল শাবগী মফম...

*লামায় ১গী মখা...* শিফটিং ওফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সগোলমাংনা থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ৫ দগী নুমিদাং পুং ৫ ফাওবা গাড়ী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সী অসিগী কনভিনর এল থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সগোলমাংগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালবু ক্যামগৈ ময়াই লৈকায়দা শাগৎনবা উরেপ-উয়ুং তম্বসি মথোং হুক্তবা থৌওংনি। খুন্দ্রাকপমদা লাকশিনবা ঙম্লোইদবা মীয়ামগী ঈহৌ অমা মণিপুর লৈঙাক্লা মায়োক্লগনি। লৈঙাক্কী অসিগুম্বা খোঙথাং অসি হন্দোক্লবা, লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়বা পাউথোক অসি ময়েক শেংনা হায়বীনবা মরী লৈনবা মিনিষ্টরগা হঞ্জিন-হঞ্জিন উননবা হোৎনবদা মিনিষ্টরনা মরৈ-মরা তৌদুনা লৈরে। এ সী অসিগী মীয়াম অশাওবগী পনখৈ য়ৌরে। জে এ সীনা মীয়ামগী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না হয়েং অয়ূক পুং ৫ দগী খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈবা লৈঙাক্কী লোইশঙ খূদিংমক থিংজিল্লগনি। মসিদা মহৈলোইশঙশিং, অনা-অয়েক, মৈ-ঈশিং, লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবশিংদি কোনশিল্লোই। থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা গাড়ী থিংবগী খোঙজং অমা ইম্ফাল সাইকুল রোদ, কৈবী রোদ অমদি ইম্ফাল-উখ্রুল রোদতা চত্থগনি। খোঙজং অসিগী মনুংদা মখল খূদিংমক্কী গাড়ী খূদিংমক অথিংবা থমগনি। হৌজিক ওইরিবা হোস্পিটালগী মরাইবক অসিদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী বি জে পি মন্দলগী ফিরেপসু লাউথোকপীয়ু। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এনসু থৌদাং লৌদুনা হোস্পিটাল অসি পুরক্লবা লুচিংবীয়ু। পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী খোঙথাং অসিদি লোইজি-লোয়াদা লৈরিবা লৈত-লায়রা মীয়াম্বু মী ওইনা খন্দবা থৌওংনি। জে এ সীগী খোঙজং অসিদা খুন্দ্রাকপম এ সী অমদি সাইকুল এ সীগী মনুংদা লৈরিবা কাঙলূপ খূদিংমক্লা শরুক য়াবীদুনা মপূং ফাহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লালহৌলূপ প্রোগ্রেসিবনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, খুন্দ্রাকপম এ সীদা অখূবা পোলিটিক্সনা মীয়ামগী রাইট মৎপা য়ারোই। কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিব) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা অখূবা পোলিটিক্সকী মীৎয়েংদা নমথাক তৌদুনা রাইট মৎপা য়ারোই। লূপ অসিগী হোট জোন অমা ওইরিবা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীওই কয়ানা মায়োক্লরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সগোলমাংদা শানবগী থৌরাং পূম্বা লোইদুনা মশা-মশাগী লম ফাওবা কথোক্তুনা তিঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাইরোল অমগী থাজবা কয়াদা হিংবা ঙম্লগনি হায়না মোমোন মীনোক কয়াবু ঙসিদি থম্মোয় চাকপা খোঙফম অমদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সগোলমাংদা শাররোই হায়না কৈরাও এ সীগী মনুংদা লৈবা ক্যামগৈদা হোস্পিটাল শানবগী উরেপ-উয়ুং তমখি। খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্না য়ানিংদবগী খোল্লাউ লাউরক্তুনা ঈহৌ চঙশিল্লকপবু লূপনা চপ চানা শৌগৎকনি। হোস্পিটাল শাগনি হায়না লম ফাওবা পাম্মুবা লৈতনা কথোক্লগা শাররোই হায়বগী অখূবা পোলিটিক্স অসিনা খুন্দ্রাকপমগী মীওইখক্তা নৎতনা খুন্নাই অসিগী মীয়াম পূম্বদা খোঙ্গোইনবগী মমি চাওনা তাহল্লে, হিংবগী রাইট মৎল্লি।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামগী ৱাথোক অসিদা অচুম্বা খোঙথাং লৌখৎপগী মহুৎতা হান্না পাল্লম্বা কোংগ্রেস নৎত্রগা হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ঙৈহাক-ঙৈহাক্কী অচান-মীরাই নাইদুনা ইরৈচাগী থম্মোয়দা অমনা-অমদা ইনশিন্দুনা থৌজিনবগী হৈনবী থাদোকপনা য়াইফবা ওইগনি। লূপনা থাংজিল্লক্লিবা অসি হোস্পিটাল শাবগী ৱাথোক অসিদা কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পি লৈঙাক অনীমক্কী মায়োক্তনি। লূপকী পান্দমদি এ সী অসিগী মীয়াম্না পামজবা ৱাখল্লোন অদু থুংহনবনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সগোলমাংদা শারোই হায়দুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মখা তানা ঙক কনশিন্নদুনা খুন্দ্রাকপমগী মীয়ামবু থওই-ৱাওইদ্রবদি লূপনা তুমিন্না লৈরোই। থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামগী খঞ্জরম্বা থাজবা মরিক চুম্না য়েৎনবা লৈতনা মঙফাওনহনগদবনি। লূপকী ৱাফম নাথৈরক্লবদি বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামগী থাজবা খোঙ্গোইনবা অমদি মীয়ামগী রাইট মৎপনি হায়না মালেম শীনবা থুংনা খঙহন্দুনা থা অসিগী ১১ গী অয়ূক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ১০ ফাওবা পুং ১৬ কী জেনরেল ষ্ট্রাইক কংলৈপাক (মণিপুর) শীনবা থুংনা লাউথোক্কনি। পুং ১৬ কী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকপগী থংনবা মীৎকুপ্তগী হৌনা খুন্দ্রাকপম এ সীদা বি জে পিগী লুচিংবা অমসুং লৈঙাক্কী মীওইশিং বোইকোট তৌগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা বি জে পি ৱার্কর পুম্নমক মশানা মীয়াম খঙনা বি জে পিদগী তোকচরে হায়না লাউথোক্লবগী ফিরেপ লৌহল্লক্লগনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল সগোলমাংদা শাগনি হায়রম্লগা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামদা নমথাক তৌরগা হেল্থ মিনিষ্টরনা পোলিটিক্সকী অখূবা মীৎয়েং থমদুনা ক্যামগৈদা হায়ববু য়ানিংদবা ফোদোক্তুনা হায়বগী থবক থৌরম খূদিংমক্তসু লূপনা অথিংবা থল্লে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।


# GOVERNMENT OF MANIPUR
# DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES
## N O T I C E

**Imphal, the 7th April, 2018**

**No. HC-53/H&T/2017:** It is hereby informed to all the handloom weavers and handicrafts artisans of Manipur that the District Handlooms & Textiles Offices are conducting house to house baseline survey from 5th April, 2018 to identify high potential and potential handloom weavers and handicrafts artisans of all the handloom and handicrafts clusters. The high potential weavers and artisans will be given top priority of their requirement and potential weavers and artisans in the second priority. However, all weavers and artisans are eligible for Handloom & Handicrafts Delivery Scheme and other welfare schemes.

**2.0: All the handloom weavers and handicrafts artisans are, therefore, informed to co-operate and share information with the field staff who are conducting the house-to-house and village-to-village baseline survey in Manipur.**

*Sd/-* **Director of Handlooms & Textiles, Manipur**

*HL-P/969/9*